**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-04-2026)**

**সিএম (এল)ঃ** গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়রি-কোকোমিগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি ৱাহং তরেৎ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পীশিল্লম্বা অসি য়ামা সেন্সিটিব ওইবা অমনি।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-য়েলহৌমী ঙাক শেন্দুনা কনবা হায়বসি রাজ্য সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি। কেন্দ্র সরকারনা ইং ২০২৬ কী মার্চ ৩১ ফাওবদা নেক্সিলিজমগী থবক থৌরমশিং মুত্থৎনবা থৌরাং পায়খৎখ্রবনি। মসিগী মথক্তা অৱাং নোংপোক লমদমদগীসু টেরোরিষ্টকী থবক থৌরমশিং মুত্থৎনবা থৌরাং তৌরি।

শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈবা আইননা য়াদবা খুৎশু খুৎলায় পায়বা টেরোরিষ্টকী থবক থৌরমশিং চত্থবশিং ইং কুমজা ২০২৯ ফাওবদা পুংমুৎ মুত্থনিবা পান্দম থল্লি। মসিগীদমক ভারত সরকারনা খঙহল্লকপা লৈখ্রে।

ত্রোংলাউবী থৌদোক্কী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোক্লদুনা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-থৌদোক অদুগী লংলা লংজিল খঙননবা এন.আই.এগী আই.জি. অমনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি মফম অদুদা চৎতুনা য়েংশিনখি। মহাকা হায়-মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

**খোঙজং (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না শিনদুনা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা ঙসি তম্পাক্কী মফম কয়াদা চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী হৌরকখিবা খোঙচৎ অদু মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েট তমা চংশিল্লকখি। পুলিসনা মখোয়বু থৎতুনা থমখি। রেল্লি অদু মখা তানা চৎনবা হোৎনবদা খোঙজংলোইশিংগা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা চাউনা মুকখি। মায়কৈ কয়াদগী য়াম্লবা মীয়ামনা হৌরক্তুনা মখা তানা চংশিন্নবা হোৎনবদা সেক্যরিতগী মায়কৈদগী টিয়ার গ্যাস, স্মোগ বোমনচিংবা কাপখি। মদুদা মীওই কয়া অশোক অপন নংখি হায়রি। হৌজিকসু মফম কয়াদা উংখৎনবগী ফিভম অমা লৈরি।

মরক অসিদা, কোকোমিনা ৱাহং তরেৎ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা পীশিনখ্রে হায়রি। মদুগী মনুংদা ত্রোংলাউবী অমসুং টি-এম. কসোমগী মীহাৎতা চেন্নরিবশিং ফাদুনা ৱায়েল চত্থদুনা মীয়ামদা বিচার ফংহল্লোইদ্রা, কুকি নার্কো টেরোরিজম মুত্থৎলোইদ্রা, ত্রোংলাউবীদা সি.আর.পি.এফনা মীচম অহুম হাৎখিবা অদু জ্দিসিএল ইনক্কারি চত্থরোইদ্রা হায়বনচিংবা য়াওরি।

**এনআইএ (এল)ঃ** থা অসিগী ৬ অমসুং ৭ কী লোন্নবা অহিংদা বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবীদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা অঙাং অনি লৈখিদবা অদু মখা তানা থিজিন্নবা ঙসি এন.আই.এ. অমসুং ফোরেন্সিক্কী কাংবু অমনা য়েংশিনখ্রে।

আই.জি. অমনা লুচিংবা এন.আই.এগী টিম অদুনা পুং অনিরোম থিজিল্লবা মতুংদা কেস অসিগী মতাংদা কান্নগনি হায়বা মচাক মথুমশিং খোমগৎখি। তুংদা, গেলমোন খুলদসু চৎতুনা থিজিনবগী থবক চত্থখি হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, মীশি অসিগী মতাংদা হৌজিক পাল্লিবা সরকার অসিনা এন.আহ.এদা থিজিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রবা মতুং ঙসিগী অসি থারগা এন.আই.এগী টিম অসিনা মফম অসিদা চৎতুনা য়েংশিনখিবা অসি হন্দক্কী অসি থারগা অনিরক শুরে।

**মরিং (এল)ঃ** উখ্রুল জিলাগী টি-এম. কসোমদা মীচম অনি হাৎখিবা অমদি বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবীদা পীক্লিবা অঙাং অনি বোম পোকখায়হন্দুনা হাৎখিবা অমসুং মমাবুনা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌদোকশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা ঙসি ইম্ফাল-য়াইরিপোক পরিংদা লৈবা লাইফরোক মরিং খুলদা ৰাকৎ মীফম চথখ্রে।

নোর্থ মরিং ৱিমেন ওর্গনাইজেসননা শিনবা ৰাকৎ মীফম অদুদা কৈরাউ কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা মরিং খুল মরি-লাইফরোক, শন্দংশেন্বা, তাউরেমফাই অমসুং ফুনাল মরিং খুলগী নুপীশিংনা শরুক য়াখি। ৰাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা রাজ্য অসিগী মহৈরোই অমদি নোংমগী শুরা নোন্নগা হিংলিবা মীওইশিংদা ইরাং অসিনা পীরিবা চৈথেং অসি য়েংলগা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংবীনবা হায়রি।

**কোটু (এল)ঃ** কমিতি ওন ত্রাইবেল য়ুনিতি (কোটু) না কাংপোকপী জিলাদা কৌখিবা টোটেল সটদাউন্দ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমীনা হায়-সটদাউন্দ অদুগী মনুংদা স্কুল, কলেজ, ওফিস অমসুং দুকানশিং থোং লোন্নখি। নোংমৈ কাপগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওই অনি অদুগী অশিবা হকচাং কাংপোকপী জিলাগী সিভিল হোস্পিতালদগী পোষ্ট মোটেম লোইরবা মতুং ফৈজাংদা লৈবা মারটিয়স সিমিত্রিদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখি।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, ককচিং, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি।

মসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা হুকুম থোকখ্রে।

**মালেরিয়া (এল)ঃ** ঙসি অসি মালেমগী মেলারিয়া নুমিৎনি। চহি অসিগী ওইনা নুমিৎ অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলদি দ্রাইভেন টু এন্দ মেলেরিয়া: নাও ৱি কেন-নাও ৱি মষ্ট হায়বসিনি।

ইম্ফালল ৱেষ্ট জিলাগী চীফ মেদিকেল ওফিসার (সি.এম.ও) কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদ্দিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট কে. জাদুমনিনা হায়- মেলারিয়া লায়না অসি মুত্থৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্না অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নবা তঙাইফদে। লায়না অসিদগী কন্নবা মতম চানা লায়েংবা অমদি ঙন্না লায়না অসিবু খঙদোকবা হোৎনগদবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা চীফ মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্ট ডাঃ এন.জি. দয়াবতি দেবীনা হায়-জিলা জিলাদা মেলরিয়া লায়নাবু মুত্থৎনবা অমদি মসিদগী ঙাকথোকবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা হিদাক লুপথোক্লবা কাংখলশিং য়েনবা অমদি মালেরিয়া লায়নাগী মতাংদা মীয়াম্বু পাক শন্না খঙহনবগী থৌরমশিংসু পাঙথোকখি।

মালেমগী মেলারিয়া নুমিৎকা মরী লৈননা রেড সিল্ড দিভিজননা লৈমখোংগী অকোইবদা এর্ন্টি মেলারিয়া দ্রাইব অমা চখ্খ্রে। খোঙজং অসি মরুওইনা মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংদা লু-নানবা অমদি মেলারিয়া শনে দাক্তনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা হৈঙাং, মীসন ভেং, ভেমনোম অমসুং কোরপোরেটিব খুলগী মফমশিংদা দি.দি.টি. চাইথোকপা, মৈখু কাপথোকপনচিংবা পাঙথোকখি।

অসাম রাইফলসনা শিনদুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোলদসু মালেমগী মেলারিয়া নুমিৎ পাঙথোকখি। থৌরমদুদা মফম অদুগী খুল ৪৫ হেনবগী মীওইশিং শরুক য়াখি।

**খোংজোম (এল)ঃ** খোংজোম বেট্টল মেমোরিএল কমিতি-মনিপুরনা শিনদুনা

ঙসি থৌবাল জিলাগী খোংজোমদা লৈবা তেঙ্গোল লম্পাক্তা ১৩৫ শুবা খোংজোম বেট্টলর কোমেমোরেসনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মফম অদুদা লৈবা মেজর চোংথামিয়া অমসুং লান অদুদা য়াওখিবা মশক খঙহৌদ্রবা লান্মীশিংগী মহুৎ শিন্দুনা য়ুংবা মীতমশিংদা মীয়ামনা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা ঐতিহাসিক ওইরবা তেঙ্গোল লম্পাক অদু নীংথিনা শেমগৎহন্নিংবগী অপান্বা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, জষ্টিস কমিতি ওন এঙ্গলো মনিপুরি ৱার-১৮৯১ মার্টিয়রস এন্দ ফ্রিদম ফাইটরস ওফ কংলৈপাক-মনিপুর অমদি এফ.পি.এন.সি. খোংজোম বজারনা পুন্না শিনদুনা কুমজা ১৮৯১ দা শোকখিবা খোংজোম লানফমদা ইমা লৈবাক্কীদমক্তা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবশিং, ফ্রিদম ফাইটরশিং অমদি মশক খঙহৌদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎপগী থৌরম অমা ঙসি খোংজোমদা লৈবা তেঙ্গোল লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

**ভেটিরিনারি (এল)ঃ** মালেমগী ভেটিরিনারি নুমিৎ ঙসি মনিপুরদসু পাঙথোকখি। নুমিৎ অসিগী হীরমনা 'ভেটিরিনরিয়ান্স-গরদজিয়ন্স ওফ ফুদ এন্দ হেলথ' হায়বসিনি।

মপুং ওইবা ইম্ফালগী শঞ্জেনথোংদা লৈবা ভেটিরিনারি কমপ্লেক্সকী ফারমস ট্রেন্নিং হোলদা পাঙথোকখি। রেজিস্ট্রর মনিপুর ষ্টেট ভেটিরিনারি কাউন্সিল অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটিরিনারি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরি অনিনা খুৎশমরগা পাঙথোকখিবনি।

চান্দেল জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি ওফিসনা শিনদুনা নুমিৎ অসি পালন তৌখি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা লমফৌপাসনা খুলদা হেলথ কেম্প অমসু লেমা তিকা থাদোকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**হোম গার্দ (এল)ঃ** মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা হায়রি-সরকারগী অয়াবা য়াওদনা মনিপুর হোম গার্দ এক্ট এন্দ রুলগী ৱাংমদা তোঙান তোঙানবা পোষ্টতা প্রমোসন পীরম্বা কম্মান্দেন্টশিংগী মথক্তা দিসিপ্লিনারি এক্সন লৌখৎনবা সরকারদা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট-ৱাই. মঙ্গি সিংহনা হায়-হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি চীফ সেক্রেটরি, পার্সোনেল বিভাগ, হোমগী কম্মিস্নার অমসুং সেক্রেটরিদা অইবা চেরোল পীশিনখি।

**ফল (এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুর (কোসেম) না লৌবা ক্লাস এলভেন পরিক্ষাগী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে।

চহি অসিগী ওইনা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩২,৪৭৬ পরিক্ষা থাবগী মনুংদা মহৈরোই লিশিং ৩০,৩৪০ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৩.৪২ ওইখি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৩ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**কেম্পেইনঃ** থা অসিগী ২৯ দা ভোট থাদনগদৌরিবা নোংচুপ বেঙ্গোল বিধান সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

বি.জে.পি. নেসনেল প্রসিদেন্ট-নিতিন নবিননা ঙসি বরানাগরদা পাঙথোকপা রোড সোদা শরুক য়াখি। নোংচুপ বেঙ্গোলগী বিরোধি লুচিংবা-সুভেন্দু অধিকারিনা ত্রিনামুল কংগ্রেস লুচিংবী অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-মমতা বেনর্জিনা লুচিংবা সরকারবু শেঞ্জা থুমজা তৌই হায়না মরাল শিখি।

অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মা, ত্রিনামুল কংগ্রেস লুচিংবা-কুনাল ঘোস, কংগ্রেসকী রাজ্য সভা সদস্য-প্রমোত তিৱারি, অখিলেস প্রসাদনচিংবনা রাজ্য অদুদা ভোট খোমখি।

মরক অসিদা, ইনর্ফোসমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা ঙসি শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈননা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে। কোলকাতা, বরদুৱান অমসুং হব্রাগী তোঙান তোঙানবা মফম ৯ দা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। পি.দি.এসকী থবক থৌরমশিংদা শেঞ্জা থুমজা তৌই হায়বগী মরালদা প্রিভেন্সন ওফ মণিলোন দরি এক্টকী মখাদা থিবা হুম্বগী থবক অদু চথখিবনি। সাউথ কোলকাতাগী ব্রহ্মপুর অমসুং রিজেন্ট পার্ককী মফম কয়াদসু থিবা হুম্বগী থবক চথখি। হাব্রাদা চথখিবা থিবা হুম্বগী থবক অদুদা ইনর্ফোসমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা চেং লল্লোনবশিংগী ময়ুম অমদি করবার তৌফমশিং থিবা হুম্বগী থবক চথখি। মসিগী মথক্তা বরদুৱানদা লৈবা চেংগী মিল অমদসু থিবা হুম্বগী থবক চথখি।

**হিটৱেবঃ** লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা শাবগী চাং হেনগৎলক্তুনা হিটৱেব থোক্লবা য়াই হায়না ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল বিভাগনা চেকশিন ৱা থল্লক্লি।

বিভাগ অসিনা হায়-লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক, ময়াই থংবা অমসুং পেনিনসুলর লমদমদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৪০ দগী ৪৪ ফাওবা ওইরি।

বিভাগ অসিনা হায়-মফম কয়াদা মহৌশা শাবা চাংদগী সেলসিয়স দিগ্রী ৫ হেনগৎপা থেংনরে। শাবগী চাং হেনগৎলকপা অসিনা হিট ষ্ট্রোক তৌবা, দি-

হাইদ্রেসননচিংবা থোরকপা য়াই হায়রি।

বিভাগ অসিনা হায়-মীয়মানা য়ারিবমখৈ থকবা ঈশিং ৱাৎতনবা, নুমিৎকা হকথেংননা মায়োকদনবা, অপাবা ফিরোল শিজিন্নবা অমদি পীক্লিবা অঙাংশিং য়ারিবমখৈ চেকশিন্না লৈহনগদবনি। বিভাগ অসিনা হায়-থা অসিগী ২৭ ফাওবদা অৱাং নোংচুপ ভারতকী মফম কয়াদা অইং আশাগী চাংদা অহোংবা লৈরোই।

**মাওইষ্টঃ** মাওইষ্ট ৪৭ ঙসি সরকারদা চংজখ্রে। হায়দ্রবাদতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা তেলঙ্গানাগী দি.জি.পিদা মাওইষ্টশিং অদু চংজরকখিবনি।

ছাতিসগরগী খা থংবা বাস্তর দিভিজনদগী অয়ান্বা ওইবা মাওইষ্টশিং অদুনা দি.জি.পি. শিবধর রেদিগী মমাংদা চংজরকখিবনি।চংজরকখ্রবশিংগী মনুংদা মরুওইবা লুচিংবা কয়ামরুম য়াওরি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দি.জি.পিনা হায়-সরকারদা চংজরকখ্রবা মাওইষ্টশিং অদুনা খুৎলায় ৩২ হেন্না লোয়নরকখি। মখোয়দা সরকারনা পীবা রিহেবিলিটেসন পেকেজ ওইনা লুপা কোতি অমা লাখ ২০ পীরগনি।

**ত্রিপুরাঃ** নহাশিংবু থবক ফংহন্নবগী পান্দমদা থা অহুম চথুগদবা ইমর্জেন্সি মেদিকেল টেকিসিয়ান ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম, ত্রিপুরাগী গোমতি জিলাদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসি প্রধান মন্ত্রি কৌসল বিকাশ য়োজনাগী মখাদা পায়খৎপনি। থৌরাং অসি ত্রিপুরা দাইরেক্তোরেট ওফ স্কিল দিবলপমেন্ট অমসুং হকশেল অমদি য়াইফ য়ুম্বাল বিভাগকা পুন্না শিনবনি। থৌরাং অসিনা খুদক খুদক্কী ওইবা তঙাইফদবা মেদিকেল স্কিলশিং তাকপী তম্বীগনি। ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিদা য়াওরিবা মীওইশিংবু স্কিল ম্যেন পৱার পীবা খক নত্তনা হেলথ সার্ভির্সেসকী লমদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবনি। থৌরাং অসিনা হকশেলগী লমদা অমদি এম্বুলেন্স সার্ভিসকী থবক থৌরমদা অনৌবা থবক কয়ামরুম পীবা ঙম্লগনি

হায়রি।

**ফুটবোল ঃ** কিয়ামগৈ য়ুথ প্রাইয়োনরস ক্লবনা শিনবা ১৪ শুবা খাগেন্বা ফুটবোল ত্রোফি-২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-আর.এস.সি. থোংজম্না সাই-উৎলৌবু পাঞ্জল ২-০ দা অমসুং দি-স্কার নোংমৈবুংনা জি.এফ.সি. টিম (বি) কিয়ামগৈবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** অসাম ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনবা অনিশুবা চহি ১৫ মখাগী নুপীমচাগী নোর্থ ইষ্ট রাইজিং ক্লব-২০২৬ গী সেমি ফাইনেলদা মনিপুর মায়থিহৌরে।

ঙসি গুৱাহাতিদা শান্নখিবা মেটচতা-ত্রিপুরানা মনিপুরবু রন-৬৫ তা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** বি.সি.সি.আইগী নেসনেল ক্রিকেট দিবলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা পাঙথোক্কদবা তোঙান তোঙানবা ইলিট এন্দ হাই পার্ফোমেন্স কেম্পশিংদা শরুক য়ানবা মনিপুরগী কোর্চ অমসুং সপোর্ট ষ্টাফশিংগী মিং য়াওরক্লে।

মীওইশিং অদুদি-বোল্লিং কোর্চ সিধার্দ ত্রিবেদি, ফিজোথেরাপিচ-থোঙাম কমলেস অমসুং ষ্ট্রেঙ্ক এন্দ কন্দিসনিংগী কোর্চ-পুরমেন্দু জেনা য়াওরি।

**ক্রিকেট ঃ** ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লিগকী মেটচ অমদা হৌজিক দিল্লি কেপিটেলস অমসুং পঞ্জাব সুপর কিংসকা দিল্লিগী অরুন জেতলি ষ্টেদিয়মদা শান্নরি।

দিল্লি কেপিটেলসনা টোজ ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ৱিকেট অনি তুরগা ২৬৪ লৌখি। মসিগী পাউখুম ওইনা পঞ্জাব সুপর কিংসনা ওভর ১৩ ফাওবদা ৱিকেট অহুম তুরগা রন-১৭৮ লৌরি।